লৈবাক্কী পাউ

লোকপালগী পেনেল শেম্বদা নিয়ম চুমদবা য়াওরে

নিউদিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ লোকপালগী চেয়ারমেন অমসুং মেম্বর হাপ্পবা সেলেক্সন অমসুং সর্চ কম্মিটি শেম্বদা নিয়ম চুমদবা কয়ামরুম য়াওরে হায়না বিজেপিগী লুচিংবা অরুন জেটলিনা দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিংবু মরাল শিখ্রে।

ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহদা ইদুনা অনিরক খঙহনখ্রবনি হায়না বিজেপি গী লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি। লোকপাল এক্তা য়াওরিবা ৱাফমশিং নাথৈরল্লগা দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিংনা মওং তাদবা নিয়ম শেল্লগা লোকপালগী মেম্বর অমসুং চেয়ারমেন হাপ্পবা হাথু হাথুবা থবক পায়খৎলে। লোকপাল শেমদুনা লৈবাক অসিদগী শেঞ্জা থুমজা মুথৎনবা হোৎনবদা মতিক চাবা মীওইশিং হাপ্পবা হোৎনবগী মথক্তা লোকপাল এক্তা য়াওরিবা নিয়মশিং মপুং ফানা ইনগদবনি হায়না অরুন জেটলিনা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনে এন্দ ত্রেনিংদি সর্চ কম্মিটি অমসুং সেলেক্সন কম্মিটিদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং লোজিষ্টিক সপোর্ট পীবা খক্তনি। অদুবু মখোয়না মখোয়গী তৌফম থোকপা থবক্তগী হেন্না তৌশিল্লে।

অমরোমদা লোক সভাগী ওপোজিসন লিদর ওইরিবা সুস্মা স্বারাজনা হায়খি, মদুদি মহাকসু লোকপাল এক্তকী মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বরনি। সেনিয়ার এদভোকেট পিপি রাও মেম্বর ওইনা পেনেলদা হাপচিনবা অদু য়ানিংদে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহগী য়ুমদা পাঙথোকপা মীফমদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রবনি। অদুবু মহাক্কী ৱাফম অদু সরকারগী নোমিনি অহুমনা মায়থিবা পীরমদুনা পিপি রাওবু পেনেলগী মেম্বর ওইনা হাপখি। পিপি রাও কংগ্রেসতা থাজবা মীওইনি হায়না মহাক্না মরাল শিখি।

অমরোমদা বিজেপিগী লুচিংবী সুস্মা স্বরাজনা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি উন্নদুনা লোকপালগী পেনেল মেম্বর হাপ্পদা, এক্ত অদুনা পীরিবা পেনেল মেম্বর হাৎপকদবা মীওইশিং অদুগী মত চপ মান্নহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়জখি।

নলিনি য়াওনা রাজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা অহুম থাদোক্তনবা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে

নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ রাজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা নুপী নলিনি য়াওনা কৈশুমশঙদা লৈরিবা মীওই অহুম থাদোক্তনবা সুপ্রিম কোর্টনা টামিল নাডু সরকারদা খঙহনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী চিফ জষ্টিস পি সাদাসিভমনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা টামিল নাডু গভর্নমেন্টতা হান্না লৈরিবা ফিভম অদুদগী অহোংবা লৈতনবা খঙহনখি। কৈশুমশঙদা ফাদোক তাদুনা লৈরিবা মীওই তরেৎ থাদোক্নবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অদু শিংনদুনা থারকপা ৱাকৎ অদু সুপ্রিম কোর্টনা মার্চ৬ তা খন্নগনি। সেন্টরনা ৱাকৎলকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা টামিলনাডু গভর্নমেন্টনা হায়খি, মদুদি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা রিট পিটিসন অমা থাবা য়াবগী পাঙ্গল লৈতে। অদুনা ৱাকৎ অদু চংনবা য়ারোই। টামিল নাডু গভর্নমেন্টনা হিরম অদুগী মতাংদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতা ইখিবা চিঠি অদুগী পাউখুম পীবগী মহুৎতা কোর্টতা হাথু হাথুনা চংতুনা ৱাকৎলিবা করিগীনো হায়না টামিলনাডু গভর্নমেন্টনা হংখি। তুংদা বেঞ্চ অদুনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা হাথু হাথু চংলিব্রা নত্রগা টামিলনাডু সরকারনা চংলিব্রা হংখিবগা লোয়ননা কেস অদু চংনবা য়াব্রা য়াদ্রবা হায়বদু মার্চ ৬ তা খন্নগনি হায়খি। বেঞ্চ অদুনা হায়খি, মদুদি কৈশুমশঙদা ফাদোক তাদুনা লৈরবা মীওই অমা মতৌ করম্না থাদোক্নদগে হায়বা নিয়ম অদু লৈবাক অসিগী ষ্টেট পুন্নমক্না খঙজিনগদবনি।

ADMISSION IS GOING ON

SIMPS (2013 – 14)

S. S. Institute of Management & Paramedical Science

Thangal Bazar

College campus: Pangei, Manipur

B.Sc MLT DMLT BPT BCA BBM
MBA MCA Nursery Teacher Training
B Sc. In Lib Sc. **BA, B.Sc, MA, M.Sc** Diploma hospital Management
B.Sc. Fashion Designing Diploma Hotel Management
B.Sc Hotel and Tourism Management

Pls feel free to contact us: Administrative office
Thangal Bazar,Opp. VIP Showroom/MM tailor
94022 33554.
NT/Y1-20

@ Hostel facility available for both Boys and Girls.

শামেংজরি **DUTTA CLINIC** শামেংজরি

উনসাগী লায়না, অট্টৌবা শকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, কিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং শ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

অট্টৌবা শকপা :



[illegible]

তাং-তাং চিকপা :

[illegible]

ডাইবেটিসকী প্রোব্লেম :

[illegible]

নুংশং :

[illegible]

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম :

[illegible]

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইহনা লেনবা ওইবীয়ু!

নুপাগী প্রোব্লেম :

[illegible]

নুপীগী প্রোব্লেম :

[illegible]

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম

[illegible]

শমগী প্রোব্লেম

[illegible]

[illegible]

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
HOMEO & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবগী খুদোংচাবা পীবিয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: মণিপুর সরকারগী মখাদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুল অমসুং গভর্নমেন্টকী স্কুল খুদিংমক্তা থাং-তাবু ক্লাস নাইনদগী সবজেক্ট অমা ওইনা হাংহন্নবগী দরকার ওইবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎতুনা চৎলিবা সেসন ২০১৪ দগী মহৈরোই খুদিংমক্তা থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বগী খুদোংচাবা পীনবা কিমাক্সনা মরী লৈনবশিংদা ফোঙদোক্লি হায়রি।

কিমাক্সকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাংনবগী দরকার ওইবা থৌদাং খুদিংমক বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরনা থবক পায়খৎলকপা লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরগী বুক ষ্টোরশিংদা ইকুই কুইদনা ফংলগনি। থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাংলক্লিবা অসিগা ইরোইননা স্কুল ওথোরিটি খুদিংমক্না মাগী মাগী স্কুলশিংদা সবজেক্ট অসি হাংলে হায়বগী নোটিফিকেসন থোকপীয়ু। মহৈরোইশিং অমসুং মমা-মপা ওইবশিংনসু সবজেক্ট অসি তম্বগী কান্নবা করি লৈবগে হায়বা কুপ্না খন্ন-নৈনবীয়ু।

বোর্ড অমসুং এস সি ই আর টি মণিপুরনসু সবজেক্ট অসিগী দরকার ওইরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অথুবদা পায়খৎনবা শিনবীয়ু। কিমাক্সনসু থাং-তাগী ওইবা হিরম অসিদা ওজাশিংবু ত্রেনিং পীবগী থবক্তা মতেং পাংগনি। ঙসিগী মীরোলদা থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বীবা হায়বসি খ্বায়দগী তঙাইফদবা অমদি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি।ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলদা থকশি-খাসি মাংশিল্লক্লিবা ইনাৎ কলচর ফুরুপ, জাতি নুংশিবগী শক্তম মাংশিল্লক্লিবা নেসনেল করেক্টরদা লৈখা তারক্লবদি পনবা থাং-তানা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। মসিগা লোয়ননা মীওইবগী মশাদা চংদবা য়াদ্রবা জগোয় , ঈশৈ কলাগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু পীবা ঙমগনি।

অরোইবদা হায়রিবনা থাং-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাংগদৌরিবা অসিদা প্রাইভেট স্কুলশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। কিমাক্সনা থল্লিবা ৱাফমদি ক্লাস নাইনদগী থাং তা তম্বা অসিনা ক্লাস টেনগী মহৈরোই অদুনা মার্ক নীংথিনা ফংবগা লোয়ননা তুংগী কেরিয়ার অমা শেম্বদা অচৌবা কান্নবা অমা পুরক্কনি হায়রি।

লোন নুংশিবা শাবনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: হৌজিক চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসি লেপখ্রবা মতুং লিংখৎলিবা লুপ মচা মচা ময়াম্না মীতৈ অমসুং লোন নুংশিবা শাবনি। লোনগা ময়েক্কা থানবা য়াদে। লোনয়ান হায়বদি মীতৈলোন খঙদবা মীশিংনা ইবা লাইরিক্তা নৈনবা তোক্লসি। মীতৈলোন খঙবা মীওইশিংনা ইবা লাইরিক্তা য়ুম্ফম ওইরগা তম্বীবনা লৈবাক্কী ওইনা য়াইফগনি হায়না মীতৈ ময়েক রিছার্স সেন্টর মালোম(অম)গী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, সেন্টর অসিনা চহী অসিগী এ এম (দি) কোর্স একজাম এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লগনি। মসিগী ফোর্মসু থাবা হৌরে। শরুক য়ানিংবশিংনা অথুবদা ফোর্ম থাগৎপীরক্নবা খঙহল্লি। অমরোমদা হায়রিবনা লোন ময়েক নুংশিদুনা রিচার্স সেন্টরদা শিন্দম লৌগে হায়না চংলকপা মীওইশিংগীদমক্তদি তরাম্না ওক্লি। লোন ময়েক নুংশিবা মীওইশিংনা লুপকী মমিং তোঙানবা অমা থোন্দুনা লাক্লবদি মদু সরকার ওইরবসু মীয়াম ওইরবসু ইমা-লৈবাকপু ইকায়খুম্নদ্রবা কাংবু হায়না লৌগনি হায়রি।

ওজাশিংগী খোঙজং লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: থা অসিগী ১৬ তগী এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি কন্টেক্ট লেকচরর কনভরটেদ ফ্রোম পার্ট টাইম লেকচররনা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি নুমিৎ ১০নি শুখ্রে। খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা বোর্ড অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা পরিক্ষাদা ওজা কাংলুপ অসিনা শরুক য়াদ্রি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ওজা কাংলুপ অসিনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরবা সরকারগীদমক, মহৈরোইশিংগীদমক খল্লগা শাংলবা চহী ২০ লোম অসি চৎথোক চৎশিনগী ভারা ফাওবা কোন্নদবা, মরুপ-মপাংশিংনা তলব কয়া ফংলি হংলকপদা খুম্ফম খঙদবা মতম থোক্লবসু অসুম্না লেল্লকখিবা ঙল্লিবসি খুৎশুমলদা দিপেন্দ তৌরম্লবদি ঙম্লমদবা য়াই। অমরোমদনা হৌজিক থবক্তগী পোত্থাগদবা কুইরক্ত্রবা নাকল অমরোমদনা ঐখোয়গী তুংগী লেপ্লিবা অপিকপা অশোনবা থৱায় কয়াগীদমক তৌফম থোকপা ইতৌ তৌদবা য়ারক্ত্রে হায়রি।

অরোয়বদা হায়রিবনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংগীদমক তুংগী মণিপুরগীদমক ঐখোয়বু থৌনা লৈনা খোঙথাং থাংবা ঙমহনবগী মতম য়ৌরে হায়বসি নীংশিংবিয়ু। লোয়ননা খোঙজং অসি এসেমব্লি সেসন মনুংদা লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

করম্বা লূপ্না তৌখিবনো শেংদোকপীরকউ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: থা অসিগী ২৪দা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ য়াওনা লৈকায় অসিগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ওইবা পাব্লিক মিটিং তৌগদবা ক্লবকী কেম্পস মনুংদা শারিবা অন্দ্রো মচেংপাৎ অঙ্গনৱাদি সেন্তরগী ব্যুল্ডিং মনুংদা বোম ফুমজিল্লমম্বগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না অন্দ্রো মচেংপাৎ বোইজ য়ুঠ ক্লবকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা বোম অদু অতম্নবা মীয়াম-প্রজাবুহাৎনবা হোৎনরিব্রা, অঙ্গনৱাদি সেন্তর অসিবা মাংহন্নবা হোৎরিব্রা নৎত্রগা কেন্দ্রগী এম এল এবু অতম্নবা লাইফ এটেম তৌরিব্রা হায়না হংদুনা থৌওং অদু করম্বা লূপ্না চত্থখিবনো হায়না শেংদোকপীরকউ।

[illegible]

Manipur মনুংগী Vaccant Post কী দরখষ্ট কৌজরি।

1. IMPHAL AIRPORT & OTHERS : GROUND STAFF,LOADER DRIVER & AIR TICKETING AT IMPHAL
2. STAFF FOR HDFC, ICICI & YES BANK (FOR IMPHAL, BISHNUPUR, KAKCHING & THOUBAL.)
3. TEACHERS FOR THE REPUTED SCHOOLS IN IMPHAL.
4. ASSITANT MANAGER, BDO, RECOVERY/SALES OFFICER IN MF COMPANY.
5. 4 x RECEIPTIONIST, 8 x SALES GIRLS FOR MALL, 10 x COOK (SCHOOL)
6. SECURITY (M/F) , GUNMAN, SUPERVISOR (EX. ARMY) FOR MALL/HOSPITAL/ HOTEL/SCHOOL/MNC.

SL.	QUALIFICATION	VAC.	SALARY
1.	VIII-GRADUATE	43	8000-25000
2.	XII-GRADUATE	45	15000-26000
3.	GRADUATE-ABOVE (3 Yr. Exp.)	20	NEGOTIABLE
4.	XII-ABOVE	30	4500-8000
5.	VII/XII/GRAD.	22	5000-7500
6.	VIII-PASSED	60	4500-10000

NT/58787/28,1,3,5,7,8,10

Last Submission dte. 10-03-2014 *Interviw dte. 12-03-2014*

Elite Enterpreneurs
Keishamthong Moirang
Ningthou Leirak, Near Pizza D Cafe

+91 8119833740
8575123543
8119924042

ষ্টেটকী পাউ

ইন্দিয়ানা মণিপুরবু ইরাই লায়না থাদোক্লোই

ঙরাংগী মখা:

আইন্না থিংখ্রবা আরপিএফ কী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা পীরকপা পাউজেল অসিনা মখা তানা হায়রক্লিবনা, মণিপুর লৈশেল্লকপদগী হৌনা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদমনি। লমদম অসিদা তারিবা কাংলুপশিং অসিগী মশা মশাগী পুৱারী লৈজবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎপগী মমি, শক্তম, লোল, চৎনবী, লাইনিং লোন্নচিংবা নাৎকী পুক্কে চাওনা লৈজবা ঙাক্তনি। পুন্নমক অসিনা পুল্লগা মণিপুরগী অপুনবা ফজবা শক্তম অমা ওইরিবনি। অসিগুম্বা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইচিল ইনাও ওইনা লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপ ঐখোয় মশেল ঙসিদি চমমম্নরবা তাইবংপান অমদা ঐ ঐগী ৱাখল্লোন্দা হিংবগী হৈনবী অমা লাক্লিবসি ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী ইরক্তা খেন্নবা থৌওং কয়াদা খুদোং তম্বীরকপদগীনি হায়রি।

ঙসি মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসি লৈঙাক্লোন্দা শেন্মীৎলোন্দা অমসুং খুন্নাইলোনদা হায়নিংঙাই লৈতনা শোকচিল্লকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুন, মীশি মীনা- নুপী অঙাংশিংদা চথবা কা হেনবা লিচৎ শাজৎশিংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি। মসিদা নত্তনা শেঞ্জা থুমজাগী চৎনবীনা লাইরবা কয়াগী পুন্সিদা অৱাবা অমা মায়োক্নহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা লাইরবনা চাবা ফংদবা , ইনাকখুনবনা নুংঙাই য়াইফনা ফমথোল কাবা হায়বসি শক্তম অমা ওইরক্লি।

ঙসিগী শেঞ্জা থুমজাগী অচৌবা লাল্লোং অমা খুন্নাইসিগী মীয়ামনা মায়োক্নদুনা লমদম অসিদা হৌরক্লিবা নহারোল কয়াগী হিংনবা লম্বী থিবগী মংলান নোংম-নোংমগী মমি শাল্লক্লি। তুম্বা চাবমখৈ খঙদনা মহৈ তমদুনা অৱাংবা থাক য়ৌবা ঙল্লবসু শেঞ্জা-থুমজানা হারবা লমদম অমা ওইরুবনা মপান লমগী কম্পনি নত্রগা ফার্মশিংদা পুন্সি লেনখিদুনা লমদমসিদা হৈথোই শিংথোইবা নহারোল কয়া লৈহল্লক্তনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি হায়রি।

অরোইবদা হায়রিবনা, হৌজিক মণিপুরগী য়াওল্লুপশিং থবক্কী লমদা পুনশিনবা হৌদুনা অনৌবা লানগী লাল্লোং শেম্মীন্নবা ঙল্লকপসি মণিপুরগী য়াওল ঈহৌগী খুমাং চাওশিনবা অমনি। অপুনবগী শেমগৎলিবা পাঙ্গল অসিনা য়েক্নবগী মতিক ময়াই কল্লবা থৌশিলবু মায়োক্নবা ঙমদুনা য়াওল ঈহৌ অসিবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা ঐখোয় খুদিংমক্না থল্লি। মরক অসিদা শাজিন্নবা য়াওল্লোয়শিংনা মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবা হোৎনবদা য়াওল হৌবু মিংচৎ থিহল্লিবসি থিংনবা মীয়ামগা চুংশিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। য়েক্নবগা লৌতুনদুনা শেম্বা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা খুৎপুশিংনা খুরৌ থাংহন্দবা, য়াওল ঈহৌগী খোঙচৎ অমদা মণিপুরগী নীংতম ঈহৌ অসিবু চৎহন্নবগীদমক মীয়ামগা য়াওল্লোয়শিংগা অফবা মরী থম্নদুনা য়াওলগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নবা তারি। অসুম্না মীয়াম অমসুং য়াওল্লোয়শিং খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নবা ঙল্লবদি য়াওল ঈহৌ অসিগী অপুনবা পাঙ্গল ওইরক্তুনা য়েক্নবা ইন্দিয়াগী লানমীশিংবু ইরাই লাইনা মায়থিবা পীবা ঙমগনি। মতম অদুদা মণিপুরনা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইরক্তুনা নুংঙাই য়াইফবা, ৱাৎতা পাদবা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙল্লক্কনি। পানদম অসি ফংনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি হায়রি।

মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ঐচ ক্যু আই জি এল আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্তর এ আরগী ৩২ শুবা আসাম রাইফলসনা চকপীকারোং খুলদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা খুল ১৫গী মীওই ৭০০ লোম হেন্না চেক-অপ তৌখিবগা লোয়ননা হিদাক-লাংথকশিংদু য়েছোকখ্রে অমসুং হকচাং ফন্না লৈনবা অমদি ঈশিংদগী নারকপা য়াবা লাইনা কয়া থিংনবগী মতাংদসু ৩২ শুবা এ আরগী মেদিকেল ওফিসরনা খুঞ্জাশিংদা মরিকুম্না খঙহনখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ঙরাং ওল মণিপুর কলেজ টিচরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন্দা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ষ্টেট অসিগী হায়র এদ্যুকেসন অপ-গ্রেদেসন তৌবা অমসুং কলেজ টিচরশিংগী ৱেলফেয়ারগী মরী লৈনবা ইশুশিং হেক য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা এসোসিএসন অসিগী নৌনা খল্লবা একজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফম মার্চ ৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মোর্দল কলেজ পোরোম্পাৎতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মতিক চাবা কেন্দিদেট লাওথোক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: আম আদমি পার্টিগী মণিপুরগী ষ্টেট একজিক্যুটিভ কম্মিটিনা খন্ন-নৈনদুনা লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সনদা ইন্নর অমসুং আউটর অনিগী মীরেপকী মমিং রিকম্মেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা সেন্টরদগী মতিক চাবা কেন্দিদেট লাওথোক্নবা দিল্লিদা খঙহনখ্রে হায়না পার্টি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়রিবনা পার্টি অসিগী লাক্লিবা ইলেক্সনগা মরী লৈননা শেমখিবা ইলেক্সন কেম্পেইন কম্মিটিগী মতাংদা মণিপুরগী মীচম খরনা করপটেদ ওফিসার নত্রগা মীয়াম্না থাজদ্রবা পোলিটিসিয়ান্না করম্না ভোট খোল্লিবনো হায়না ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া অমসুং ফোন্দা হায়রকপা ৱাফমশিং ষ্টেট কোওর্দিনেটর টিঐচ মনিহারনা কুপ্না একজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা লোয়ননা খন্নবা হৌরে। মীয়াম্না চমম্নরিবা অদু কোক্নবা হোৎগনি হায়রি।

নিশা অমসুং জ্বার শান্নবা থিংলে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা লম্লাই ইবুধৌ পোইরাইলোম্বগী শঙলেন্দা লম্লাই ষ্টুদেন্টস আইদিয়েল ক্লবনা ওর্গনাইজ তৌদুনা লম্লাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লম্লাই মৈরা পায়বী অমসুং খুঞ্জাশিংগী অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা ময়াই কাবা নিশাশিং অমসুং জ্বার শানবা থিংনবা ফিরেপ অমা লৌমিন্নখ্রে। অথিংবগী মায়োক্তা থবক চত্থরক্লবদি মতিক চাবা এক্সন লৌগনি হায়না ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোন্থৌজম মাইকেলগী মতাংদা খন্নবীয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: হৌখিবা চহী ২০০৭ গী দিসেম্বর ১৭ তা পৌরাবী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মখোং অনিমক কক্তুনা দিফরেন্টলি এবল পার্সন অমা ওইনা হিংলক্লিবা কোন্থৌজম মাইকেল মহাক্কী হোৎনজমলনা ইন্টরনেসনেল, নেসনেল অমসুং ষ্টেট এৱার্ড ৪০ হেন্না ফংদুনা মণিপুরগী মায় পুরক্লবা নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট অমনি। মরকসিদা হন্দকফম্মখিবা কেবিনেটমীফমনা আর্টএন্দ কলচরগী লমদা মণিপুরগী মায় পুরকপা আর্টিষ্টশিংবু গভর্নমেন্টনা জোব পীদুনা ইকায়খুম্ননবা ৱারেপ লৌখিবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপা হৌরপবুসু ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পার্সন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না নুংঙইবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মাইকেল মণিপুরগী মায় পুরক্লিবা আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা দিফরেন্টলি এবল পার্সন অমা ওইরবসু হনবা লৈতনা হোৎনদুনা এৱার্ড কয়া ফংলক্লবা অমসুং তুংগী অশা চাওনা লৈরিবা নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট অমনি। মরম অদুনা দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংবু শৌগৎপা, পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা মাইকেলগী ৱাফমবু খন্নবিনবা চিফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমসুং এমএলএশিংগী পুক্লিং চিংশিল্লি হায়রি। অঙম্বা দিসএবল পিপলস ওর্গনাইজেসন্নসু মাইকেলবু গভর্নমেন্টকী জোব অমা পীনবা হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি মীফম অসিদা খন্ননবা দাবী তৌরক্লি।

নাৎকী প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: প্রোগ্রাম প্রদক্সন সেন্তর (এন ই), দুরদর্সন, গুৱাহাটি অমসুং দুরদর্সন কেন্দ্র, ইম্ফাল অনিনা খুৎশম্নদুনা লাক্লিবা মার্চ ৩গী নুংথিল পুং ৩ তাবদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ তাবা ফাওবা 'হেরিটেজ ওফ মণিপুর' হায়না মিংথোনবা নাৎকী থৌরম অমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিদা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিগী ঈশৈ-জগোয় কয়ামরুম মপানগী তাইবংদা টেলিকাষ্ট তৌরগা শন্দেরক্কনি হায়রি।

টুর হল্লকপা ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ঐচ ক্যু আই জি এ আর (এস) কী লমজিং মখাদা ২৮ সেক্তর এ আরগী ২৬ অমসুং ২১ শুবা সেক্তরগী ২০ শুবা আসাম রাইফলসনা শিনবা দিল্লি অমসুং অগ্রাগী নেস্নেল ইন্টিগ্রেসন টুর অনি মণিপুরদা হল্লকখ্রে। টুর অদুদা শরুক য়ারুবা মহৈরোয় অমসুং ওজাশিং অদু ঙসি ২৬ সেক্তর এ আরগী কম্মান্দর ওইরিবা ব্রিগেদিয়র রাজিব মানকোতিয়া অমসুং আই জি এ আর (এস) মেজর জেনরেল রাজিব চোপ্রা অনিনা তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

খোঙজং চংশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা মাষ্টররোল অমসুং ৱার্ক চার্জ ইমপ্লোয়িশিং মার্চ থাগী অরোয়বা ফাওবগী মনুংদা তাদ্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এম রাজেন্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা ৱার্ক চার্জ ইমপ্লায়ি ৩৬৪ অমসুং মাষ্টররোল ইমপ্লোয়িজ ৩৮ রিগুলাইজেসন তাহনবীনবা সরকারদা হায়জখ্রবসু রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তবদগী ঙসি থবক লেপ্তুনা খোঙজং চংশিনবা হৌরে। মসি ফাওবা তাবিদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: মহা সিবরাত্রিগী থৌরমনা লাকপদা আই জি এ আর (এস) মেজর জেনরেল রাজিব চোপ্রা অমসুং এ আরগী রেঙ্ক পুন্নমক্না মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌরম অসিনা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং ইংন-চীক্না লৈমিন্ননবা হোৎনরসি হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

কনভেন্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: য়ুথ ফোর সোসিএল চেঞ্জ হায়বা থিমদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ষ্টেট য়ুথ কনভেন্সন অমা মার্চ ৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা রুপ মহল থিয়েটরদা অদুগা মার্চ৫গী নুংথিল পুং ১তাবদনা মোইরাংগী আই এন এদা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদ্দরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শিন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: দিপার্টমেন্ট ওপ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী স্পোন্সরসিপ মখাদা মণিপুর বি কিপ্পর ফেদ্দরেসন্না শীন্দুনা মার্চ ১দগী ৩ ফাওবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল হোনি ফেষ্টিবেল ২০১৪ কংলা ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা খোই লোইবশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়না ফেদ রেসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

B.C.C. Manipur [illegible]
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995

ADMISSION OPEN
FOR CLASS IX, X & NERIST ENTRANCE EXAM. 2014

Our selected students for last year 2013

ADMISSION IS GOING ON
FOR CLASS XI & XII SC. COHSEM/C.B.S.E.

CLASSES START FROM LAST WEEK OF MARCH 2014

Class Timing:
5.50a.m. to 8.15a.m.

Pliz Contact: B.C.C. Manipur Main Building
Keishampat Leimajam Leikai, Tiddim Road

Hostel & Van Service facilities # 9856310202/9856279435